**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15.05.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ১৫-০৫-২০২৪, য়ুমশকৈশ)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহেংবম রাজেসনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মনিপুরনা ২৮ শুবা সেনিয়র ৱিমেন নেসনেল ফুটবোল চেম্পীয়নসিপ ফোর রাজমাতা জিজাবাই ট্রোফি লৌরে। ঙাঙোম বালানা প্লেয়র ওফ দা টুরনামেন্ত তারে।

২) রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়রি -রাজ্য অসিদা হৌজিক লৈরিবা মুকবগী ফীভম অসি লোইশিল্লহন্দুনা শান্তি হঞ্জিলহন্নবা মীয়ামা য়ান্নবা ৱারোইশিন অমা পুরকবগী লম্বীদা চংশিল্লক্লি।

৩) মহৈরোইশিংদা ইরাই লাইবা মওংদা লাইরিক্কী গ্যান লৈহন্নবা পান্দমদা ওজাশিংগী ওইবা রাজ্য থাক্কী টিচিং লর্নিং মেটরিয়েল পুথোকপগী চাংদমবা ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে ।

৪) গৃহ মন্ত্রালয়না সিতিজেনসিপ (এমেন্দমেন্ত )রুলস ২০২৪ গী অহানবা সিতিজেনসিপ সার্তিফিকেটঙসি মীওই ১৪ দা খুৎশিন্নখ্রে।

**অমসুং**

৫) লোক সভা মীখলগী লেমহৌরিবা তাঙ্ককশিংগী ভোট খোম্বগী থবক কল্লে।

**-----সিগনেচর ট্যুন---**

**ফুটবোলঃ** মনিপুরনা ২৮ শুবা সেনিয়র ৱিমেন নেসনেল ফুটবোল চেম্পীয়নসিপ ফোর রাজমাতা জিজাবাই ট্রোফি ২০২৩-২৪ লৌরে। নোংচুপ বেঙ্গলগী কিস্বর ভারতি ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা ফাইনেল মেটচা চেম্পীয়ন কয়ারক ওইখ্রবা মনিপুরনা মমাংগী রন্নরস অপ হারিয়ানাবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখিবনি।

মনিপুরগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অসিগী ৬৭ শুবা মিনিত্তা ঙাঙোম বালা দেবীনা চনখিবনি। অনিশুবা পাঞ্জল অদুনা নোংমৈকাপম সিবানি দেবীনা মিনিত ৮৩ চৎপা মতমদা চনখিবনি। ফাইনেল মেটচ থোইবগা লোয়ননা মনিপুরনা সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোলগী চেম্পীয়ন ওইবা ২২ রক শুরে। চেম্পায়নসিপ অসিদা গোল ১৮ চনখিবি মনিপুর টিমগী কেপ্তেন ঙাঙোম বালানা প্লেয়র ওফদা টুরনামেন্ত তারে। চেম্পীয়নসিপ অসিদা গোল ১৮-১৮ চনখিবা মনিপুরগী ঙাঙোম বালা অমসুং রেলৱেজকী য়ুমাম কমলা দেবীবু গোল্ডন বুট পিদুনা ইকায় খুমখি। টুরনামেন্ত অসিদা মনিপুরগী মেনেজর বেমবেমনা খ্বাইদগী ফবা মেনেজর ওইরে।

**গভর্নর(এল)ঃ** রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়রি -রাজ্য অসিদা হৌজিক লৈরিবা মুকবগী ফীভম অসি লোইশিল্লহন্দুনা শান্তি হঞ্জিলহন্নবা মীয়ামা য়ান্নবা ৱারোইশিন অমা পুরকবগী লম্বীদা চংশিল্লক্লি।

ইম্ফাল মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ত্রিপল আই.টি মনিপুর সিটি কেম্পসতা পাঙথোকপা ত্রিপল আই.টি সেনাপতি মনিপুরগী অহুম শুবা কনভোকেসনদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যপালনা হায়- লৈবাক অসিগী মফম কয়াদগী লাকপা মহৈরোইশিংনা ইন্সটিট্যুট অসিদা অশোই অঙাম য়াওদনা লাইরিক তল্লিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। রাজ্য অসিগী মহৈরোইশিংনা ত্রিপল আই.টি মনিপুরদা হাংলিবা বি.তেক প্রোগ্রামশিংদা শরুক য়াদুনা ইন্সটিট্যুট অসিনা পীরিবা খুদোংচাবশিং লৌনবা হোৎনগদবনি । ইন্সটিট্যুট অসি অৱাং নোংপোক লমদমদা মরুওইনা মনিপুরদা ইনফোর্মেসন তেকোলোজিগী লমদা রিছার্সকী থবক হেনগৎহন্দুনা রাজ্য অসিবু আই.টি.হব অমা ওইহনবা হায়বসিনি।

মহাকা হায়- ইন্সর্টিট্যুট অসিদা ওন্তরপ্রেন্যাসিপকী কোর্স হাপচিনবা অসিনা ভিক্সিদ ভারত ওইবগী লম্বীরোমদা চংশিল্লক্লি। ইন্সর্টিট্যুট অসিদা ইং ২০২২ শুপতগী নুপী মহৈরোই ৪ খক লৈরম্বদগী হৌজিক ইঞ্জিনিয়ারিং ইন্সটিট্যুটতা নুপী ৫৯ তম্লকপা অসি থাগৎনিংঙাইনি। মহাকা হায়-ত্রিপল আই.টি মনিপুরদা মহৈরোই ৫৭৯ তমদুনা হৌখিবা চহি অসিদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি।

থৌরমদুদা রাজ্যপালনা মহৈরোই অনিদা গোল্ড মেদল অমদি মহৈরোহ ৫৫ দা দিগ্রি পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**সি.এম(এল)ঃ** লম্বী লমজাওদা কোইচৎ চৎতুনা লৈবা মনিপুরগী শগোল (পোনি)শিংবু মফম চানা লম্ফেলগী গ্রেজিং গ্রাউন্দা হোইজিন্দুনা অশোই অঙাম থোহন্দনা থম্বীবগীদমক মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মেম্বরশিংবু থাগৎলি। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা শগোল লোইরিবশিংদা মখোয়গী শগোলশিং থবক শিজিন্নবা লোইরবা মতুংদা লম্বী লমজাওদা থাদোক্তুনা থম্বগী মহুৎ ইবুধৌ মার্জিংগী পাঙ্গেরোম থংবদা লৈবা শগোলশিংগীদমক খাক্তুনা থম্লিবা মফম নত্রগা লম্ফেলগী গ্রেজিং গ্রাউন্দ অসিদা থম্বীনবা আপিল তৌরি।

**অমজ (এল)ঃ** ওল মনিপুর ৱার্কিং জরনেলিস্ত য়ুনিয়ন (অমজ)গী গোল্ডিন জুব্লি সেলেব্রেসনগী শরুক অমা ওইনা য়ুনিয়ন অসিনা রাজ্য সরকারগী দিরেক্তোরেট ওফ হোতিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্ভেসনগা খুৎশমদুনা নুমিৎ নিনিগী ওইবা মেদিয়া সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম ওন হোর্তিকলচর স্কিমসগী থৌরম ঙসি ইম্ফাল প্রেস ক্লবতা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা হোর্তিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জর্ভেসনগী দিরেক্তর কে.দেবদত্তা শর্ম্মনা হায় - সরকারনা পায়খৎলিবা স্কিমশিং অসিগী কান্নবা মীয়ামদা য়ৌহন্নবা হোৎনবদা মেদিয়ানা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী অনিশুবা সেসনদা মনিপুরদা লৌউ শিংউ চাউখৎনবগীদমক মনিপুর ওর্গানিক মীসন এজেন্সি (মোমা)না লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদা এজেন্সি অসিগী প্রোজেক্ট দিরেক্তর দোনাল শৌবামনা ৱা ঙাংখি অমসুং খন্না নৈনখি। থৌরম অদুদা আই.সি.এ.আর নোর্থ ইষ্ট্রন রিজনগী পিন্সিপল সাইন্তিস ডা: আই.এম. সিংহ, অমজগী প্রসিদেন্ত বিজয় ককচিংতাবম শরুক য়াখি।

মেদিয়া সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম অসিগী অনিশুবা নুমিৎতা হংচিৎ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী থাইয়োং ভিলেজ অমসুং ঙারিয়ানদা লৈবা থামরাম তাঙ্খুল ভিলেজতা চৎতুনা মফম অদুগী লৌমীশিংগা উন্নদুনা ৱারি শান্নগনি।

--সাউন্দ

**--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা--(গভর্নমেন্ত )**

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**সমগ্রা(এল)ঃ** মহৈরোইশিংবু ইরাই লাইবা মওংদা লাইরিক্কী গ্যান লৈহন্নবা পান্দমদা সমগ্রা শিক্ষা ষ্টেট ইমপ্লিমেন্টেসন সোসাইতি মনিপুরনা শিন্দুনা রাজ্য থাক্কী টিচিং লর্নিং মেটরিয়েল-২০২৪ মেলা বাবুপারা ইম্ফালদা লৈবা সমগ্রা শিক্ষা (ইলিমেন্তরি ) ষ্টেট প্রোজেক্ট ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে ।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ষ্টেট প্রোজেক্ট দাইরেক্তরসু ওইরিবা ইদুকেসন (এস)কী দাইরেক্তর লাইশ্রম নন্দাকুমারনা হায়-হৌজিক্কী চাউখৎলক্লবা মতম অসিদা লাইরিক খক্তদগী মহৈরোইশিংনা লাইরিক তম্বগী মহুত্তা টিচিং লরনিং মেতিরিয়েল (টি.এল.এম)শিজিন্নদুনা অঙাংশিংদা লৌশিং গ্যান লৈহনবা হায়বসি য়ামমক তঙাই ফদবা ওইরক্লি। মহাকা হায়- অঙাংশিংদা শেল ইচং চংদনা হেন্না লাইরিক্কী গ্যান লৈহন্নবা হোৎনবদা টি.এল.এম য়ামমক দরকার ওইরক্লি।

অদুমওইনমক রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম য়েংলগা সরকারগী স্কুলশিংদা কৈথেলদা ফংবা অতাং অতাংবা টি.এল.এম পীবা ঙমদবনা ওজাশিংনা শেল চংদনা টি.এল.এম শানবা বিভাগ অসিনা থৌরাং কয়া পায়খৎলকপনি। মহাকা হায়- লাইরিক খক্তদগী লৌশিং গ্যান লৌবগী মহুত্তা শান্নখোৎনবগী পোৎলমশিং শিজিন্নদুনা অঙাংশিংদা লাইরিক তন্বীবনা তুং কোইনা নিংশিংদুনা লৈহৌগনি।

**--সাউন্দ নন্দাকুমার-- ৪৯**

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা ইদুকেসন এসকী কন্মীস্নর ঐচ-গ্যান প্রকাসনা হায়- অঙাংশিংবু অথুবা মতমদা লাইরিক্কী লৌশিং গ্যান লৈহন্নবা হোৎনবদা অসিগুম্বা টিচিং লর্নিং মেতিরিয়েল অসি য়ামমক তঙাই ফদে। মসিনা অঙাংশিংদা ইরাই লাইনা খঙহনবদা হেন্না খুদোংচাগনি।

মেলা অসিদা জোনেল লেবেলশিংদগী খনগৎলবা মকোক, মথং অমসুং অহুম সুবা তারবা ওজাশিংনা কম্পিতিসন অসিদা শরুক য়াখি। মদুদা পুন্না ষ্টোল ৪০ রোম হাংখি।

**ইদুকেসন(এল)ঃ** মনিপুর সরকারগী হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংগী ২০২২ দা রিগুলর তাখ্রবা হান্না কন্ত্রেক বেসিসতা লৈরম্বা লেকচররশিংগী তলপ অথুবা মতমদা পীথোকপীনবা দাবী তকশিন্দুনা লেকচররশিং অসিনা ঙসি রাজ্যগী ইদুকেসন (এস) হেদ ওফিস শো লোনশিনখ্রে। ২০২৩ দগী ইন্সতোলমেন্ত অহুম থোকা তলপ পীগনি হায়না চহি অসিগী এপ্রিল ১০ দা ওদর থোকখ্রবসু হৌজিক ফাওবা পীদনা লৈরে হায়না লেকচররশিং অসিনা পেন্দবা ফোংদোক্লি।

**কেম্প(এল)ঃ** থা অসিগী ৫ দা লেন য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা য়ুম কয়া অমাং অতা থোকহন্দুনা অৱা অনা নংখ্রবা মীওইশীংগীদমক সরকারনা তেংবাং পীগনি হায়না লাউথোকখিবা অদু অথুবদা ফংহনবিয়ু হায়না থৌবাল জিলাগী অৱাবা তারবশিংনা সরকারগী পুকিং চীংশিল্লক্লি। ঙসি ৱাংজিংদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মাং তাকখ্রবা মীওই অমনা হায়- ৱাংজিং, লমদিং, উয়াল ৱাংবল অমসুং খঙাংবোক্কী মীয়াম নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইদুনা খমথেংনা অৱাবা মায়োকরে। সরকারনা অৱাবা তারবশিংদা তেংবাং পীগনি হায়খ্রবসু হৌজিকমক্কী ওইনা করিগুম্বা পোৎলম অমত্তা ফংদ্রি । মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা তেংবাং পোৎলমশিং ফংহনবিয়ু হায়না সরকারগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

**ককচিং(এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইদুকেসন মনিপুরনা লৌবা হন্দক চহিগী ক্লাস ত্বেলফ পারিক্ষা হায়দোরকপদা ককচিংগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মহৈরোই অহুম ফাষ্ট দিভিজনদা য়াওরক্লে। মহৈরোই অহুম অসিনা ক্লাস ত্বেলফ পারিক্ষাদা ফর্ষ্ট দিভিজনদা য়াওরকপদা রিলিফ কেম্প অসিগী মেনেজিং কম্মীতি ফোর পিছ এন্দ সোসিয়েল হারমোনিনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

**ত্রাউঃ** পঞ্জাবকী লুধিয়ানাদা লৈবা গুরুনানক ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা এ.আই.এফ.এফ জ্‌নিয়নর লিগকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী ফাইনেল লিগ রাউন্দদা টিদিম রোদ এথেলেতিক য়ুনিয়ন (ত্রাড) এফ.সি মদ্রাসকী মখুৎতা পাঞ্জল ৯-০ মাইথি হৌরে।

অমরোমদা , ষ্টেদিয়ম অসিদা শান্নবা এফ.আই.এফ.এফকী অন্দর সভেন্তি য়ুথ লিগতা ক্লাসিক ফুটবোল একাদমিনা দেম্পো স্পোর্টস ওফ গৱাবু গ্রুপ দিগী ফাইনেল রাউন্দ মেটচ তা পাঞ্জল ১-০ দা মাইথিবা পীখ্রে । ক্লাসিক ফুটবোল একাদমিগী পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৬৯ শুবা মিনিত্তা ওইনাম দোনালনা চনখিবনি।

**ফুটবোল-১ঃ** আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দ লমলোংথোংখোংদা চথুরিবা চহি ১৭ মখাগী খেল্লো ইন্দিয়া গলর্স ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইষ্ট্রন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা খুমন এফ.এবু পাঞ্জল ৯-০দা অমসুং দ য়ঙ ৱেলফ্যার ক্লবনা য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লবপু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখি।

ফুটবোল লিগ মেটচ অসিগী অরোইবা মেটচ হয়েং গ্রাউন্দ অসিমক্তদা আই.সি.এস.এ অমসুং এফ.সি.আই শান্নরগনি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** ৫ শুবা সঙাই ত্রোফি ভেতারান্ত ফুটবোল টুরনামেন্তকী ফাইনেল লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নরগনি। ফাইনেল চিংঙা মথক ইম্ফালদা সি.ৱাই.এল.সি গ্রাউন্দা ভসাই থাংমৈবন্দ অমসুং উপশা লিলোং চজিং শান্নরগনি।

**ফুটবোলঃ** ৬৩ শুবা শুব্রোতো ক্লব ইন্তরনেসনেল ফুটবোল টুরনামেন্তকী অন্দর-১৫ বোহজকী ঙসি বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়ম শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা উৎলৌ গভর্নমেন্ত মোদেল হায়স্কুলনা টি.জি ইংলিস স্কুলবু পাঞ্জল ৪-৩ দা মাইথিবা পীখ্রে।

টুরনামেন্ত অসিগী চহি ১৭ মখাগী ফাইনেলদনা টি.জি ইংলিস স্কুলনা পেঞ্জাবতি হায়স্কুল ৱাঙ্গুবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখি।

**কাং (এল)ঃ** অহানবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিএল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবদা পুথিবা কাংখুৎনা হৈঙাং কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৩-১০ দা থোইখি। হয়েং নম্বোল কাংখুৎকা থোংজ কাংখুৎকা শান্নরগনি।

**স্পোর্টসঃ** নেসনেল স্পোর্টস একাদমি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স ইম্ফালদা একাদমিক সেসন ২০২৪-২৫ গী ওইনা ক্লাস সিক্সতা মীং চন্নবগী এজ ভেরিফিকেসন অমসুং মেদিকেল ফিটনেস তেস্ত থা অসিগী ২০ দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি। অকুপ্পা মরোল একাদমি অসিগী নোটিস বোর্দতগী খঙবা য়াগনি।

**খোখো(এল) ঃ** মনিপুর এমেচর খোখো এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট খোখো এসোসিয়েসন অমদি পাউরাবি দিভলপমেন্ত কম্মীতি অনিনা খুৎশমদুনা নুমিৎ ২০ গী ওইবা সম্মর খোখো কোচিং কেম্প অমা ঙসি লাইনিংথৌ পুথিবা কম্ম্যুনিতি হোলদা হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দাইরেক্তোরেট ওফ ইদুকেসন এসকী ফিজিকেল এদুকেসন দিপার্টমেন্তকী মীহুৎশিং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট খোখো এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংসু শরক য়াখি।

**বেটমিন্তেনঃ**মনিপুরগী বেটমিন্তেন শান্নরোই মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাং থাইলেন্দ ওপন বেটমিন্টনগী নুপাগী সিঙ্গলসকী রাউন্দ ওফ ৩২ চংখ্রে। বেঙ্কোক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মহাকা ৱাল্র্দ নম্বর ৯,ভারতকী ঐচ.এস প্রনোইবু ২১-১৯, ২০-১৮ দা মাইথিবা পীখি। মথংগী রাউন্দদা মৈরাবনা ৱাল্র্দ নম্বর ৫৪ দেনমার্ককী মেদস খৃস্তোফরসনগা শান্নগনি।

**ক্রিকেট ঃ** ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ (আই.পি.এল) ক্রিকেটতা ঙসি রাজস্থান রোয়েলসগা পঞ্জাব কিংসকা গুৱাহাতিগী বরসা পারা ষ্টেদিয়মদা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা হৌখ্রে। রাজস্থান রোয়েলস হৌজিক পোইন্ত ১৬ ফংদুনা অনিশুবা মফমদা লৈরি অদুগা পাঞ্জব কিংসতি প্লে ওফতগী লৈহৌরে।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা--(বাবিনা )**

## --অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---

**সি.এ.এঃ** কেন্দ্রগী হোম সেক্রেটরি অজয় কুমার ভালানা ঙসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা মীওই ১৪ দা সিতিজেনসিপ সার্তিফিকেট য়েন্থোকখ্রে। সার্টিফিকেট ফংলবা মীওইশিং অদু অফগানিস্তান , পাকিস্তান অমসুং বঙ্গলাদেশতগী লাক্তুনা ভারত্তা লৈরবশিংনি।চহি অসিগী মার্চতা সিতিজেনসিপ এমেনমেন্দ রুলস শেল্লবা মতুংদা অহানবা ওইনা থৌরাং অসি লৌখৎপনি। মখোয়শিং অসি ইং কুমজা ২০১৪গী দিসেম্বরদগী ভারত্তা চংলকখিবা অমসুং ভারতকী সিটিজেনসিপ পীবিনবা দরখাস থারকখিবা মীওইশীংগী মরক্তগী খনগৎলগা সার্টিফিকেটশিং অসি পীখিবনি।

ইলেক্সনঃ লোক সভা মীখলগী লেমহৌরিবা তাঙ্কক ৫ শুবা , ৬ শুবা অমসুং ৭ শুবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী থবক খমথেংনা কল্লে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মহারাস্ত্রাগী দিন্দোরিদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিন অমদা শরুক য়ারদুনা হায়- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা এন.দি.এ সরকারনা লৈবাক অসিগীদমক তৌখিবা থবক ময়াম মীয়ামা খঙলে। ভারতপু বিক্সিদ ভারত ওইনবগীদমক মীয়ামা সরকার অসিবু থাজবা থম্বীনবা মহাকা আপিল তৌখি।

গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহস্ ওরিষাগী কতক্তা পাঙথোকপা মীখলগী রোদ সো অমদা শরুক য়াখি। ঝরখন্দগী রাঞ্চিদা পাঙথোকপা মীখলগা মরী লৈনবা পাউগী মীফম অমদা বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্তা বিস্বা শর্ম্মনা হায়-ইনফোর্মেন্ত দাইরেক্তোরেট অমসুং সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেস্তিগেসন হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক লোক সভা মীখল অসিদা এন.দি.এনা সিট ৪০০ তঙাই ফদে। মহাকা হায়- বি.জে.পিগী ওইনদি ভারত অসি ইমা লৈবাকনি অমদি ঝরখন্দগী সিট ১৪ মক এন.দি.এ এলাইন্সনা মায়পাকপা হায়বসি য়ামমক তঙাই ফদে।

অমরোমদা, আম আদ্মী পার্টিগী লুচিংবা অমসুং দেল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা দিল্লিগী চান্দনি চোক্তা মহাক্কী দলগী মীরেপকীদমক ভোট খোমখি। রোদ সো অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী কেজ্রিৱালনা হায়- মহাকা জেলদা লৈরিবা অসি করি মরালগীদমক্তনো। মহৈরোইশিংদা অফবা শিক্ষা অমসুং মীপুম খুদিংমক্তা লেমা মৈ ফংহন্নবা হোৎনখিবা অসি মহাক্কী মরাললা হায়না হংখি।

কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি মহাক্কী দলগী মীরেপকীদমক মফম কয়াদা মীখলগী রেল্লি অমসুং রোদ সো পাঙথোকখি। রাহুল গান্ধিনা ওরিষাগী বোলানগিরদা পাঙথোকপা বাইক রেল্লি অমদসু শরুক য়াখি।

**কম্মীসনঃ** ইলেক্সন কম্মীসননা অন্ধ্র প্রদেশকী চিফ সেক্রেটরি অমসুং দি.জি.পি কৌখৎতুনা মীখলগী মাঙওইননা থোকখিবা ইরাং লাকশিনবা ঙমদ্রিবগী মরম করিগীনো হংখ্রে। পাউ খরনা হায় ইলেক্সন কম্মীসননা মখোয় হয়েং দিল্লিদা লাক্তুনা অশিগুমবা থৌদোকশিং মতুংদা অমক্ থোক্তনবা করি থবক লৌখৎলবগে হায়বদু হংলবা য়াই হায়রি । অন্ধ্র প্রদেশতা মীখলগী মাঙওইননা থোকখিবা হিংশাদা রাজ্যগী চিফ সেক্রেটরি অমসুং দি.জি.পিদা অশিগুম্বা হিংশা অসি হিরম অমত্তদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা পাউতাক পীখ্রে। কম্মীসননা হায়- গনতন্ত্রাগী থবক থৌরমদা হিংশাগী মফম লৈতে ।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) মনিপুরনা ২৮ শুবা সেনিয়র ৱিমেন নেসনেল ফুটবোল চেম্পীয়নসিপ ফোর রাজমাতা জিজাবাই ত্রোফি লৌরে। ঙাঙোম বালানা প্লেয়র ওফ দা টুরনামেন্ত তারে।

২) রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়রি -রাজ্য অসিদা হৌজিক লৈরিবা মুকবগী ফীভম অসি লোইশিল্লহন্দুনা শান্তি হঞ্জিলহন্নবা মীয়ামা যান্নবা ৱারোইশিন অমা পুরকবগী লন্থীদা চংশিল্লক্নি।

৩) মহৈরোইশিংদা ইরাই লাইবা মওংদা লাইরিক্কী গ্যান লৈহন্নবা পান্দমদা ওজাশিংগী ওইবা রাজ্য থাক্কী টিচিং লর্নিং মেটরিয়েল পুথোকপগী চাংদমবা ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে ।

৪) গৃহ মন্ত্রালয়না সিতিজেনসিপ (এমেন্দমেন্ত )রুলস ২০২৪ গী অহানবা সিতিজেনসিপ সার্তিফিকেটঙসি মীওই ১৪ দা খুৎশিন্নখ্রে।

**অমসুং**

৫) লোক সভা মীখলগী লেমহৌরিবা তাঙ্ককশিংগী ভোট খোম্বগী থবক কল্লে।

**--- পাউ লোইজরে---**